# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, MAY 20, 2016 PAGE 7




ব্রাজিলদা পাংথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসকী তোর্চ পুবগী থৌরম অমদা মাংজিল থাদুনা তোর্চ পায়দুনা শরুক য়ারিবী লৈবাক অদুগী জিম্নাষ্ট রেবেকা অন্দ্রদে

দোপিং টেষ্টতা পোজিতিব ওইবদগী মখা তানা টেন্নিস শান্নবা য়ারোইদৌবগী ফিভমদা লৈরিবি রুসিয়াগী শান্নরোই মরিয়া সরাপোভা



# ৬ শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সব–জুনিয়র এ অমদি বি দিভিজন চেম্পিয়নসিপ

## মণিপুর হোক্কিনা হোক্কি ঝারখন্দগা হোক্কি গাংপুর উরিষা অমদি হোক্কি চান্দিগরগা সেমি ফাইনেল শান্নরগনি

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মে ১৮ ঃ**
মণিপুর হোক্কিনা হোক্কি ঝারখন্দগা খুমন লম্পাক্কী হোক্কি ষ্টেদিয়মগী এস্ত্রো তফতা চত্থরিবা ৬ শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সব–জুনিয়র নেসনেল হোক্কি চেম্পিয়নসিপ ২০১৬ গী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা থা অসিগী ২১ গী অয়ুক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা শান্নরগনি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা হোক্কি চান্দিগরগা হোক্কি গাংপুর উরিষাগা নুমিৎ অসিগী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা পুল সি গী লিগ মেটচতা হোক্কি গাংপুর উরিষানা দিল্লি হোক্কি গোল ৬–০ দা মায়থিবা পীরগা মেটচ ৩ থংননা মায় পাক্লুনা পুন্না পোইন্ট ৯ ফঙদুনা ৱিন্নর ওইরগা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি।

হোক্কি গাংপুর উরিষাগী গোলশিং অদু মানিপ করকেতনা ৪ অমদি ৩১ শুবা মিনটতা গোল অনী, সুদিপ চিমারকোনা ৩৩ অমদি ৪৬ শুবা মিনটতা অনী, অঞ্জুলু তোপো অমদি অমন্দিপ লক্রনা ২৬ অমদি ৫১ শুবা মিনটতা অমমম চনখিবনি।

পুল দি গী শান্নখিবা অরোইবা লিগ মেটচতা হোক্কি ঝারখন্দনা হোক্কি মহরাষ্ট্র গোল ৪–৩ দা মায়থিবা পীরগা ৱিন্নর ওইদুনা মেটচ অহুমদগী অনী মায় পাক্লগা অমা দ্রো ওইরগা পোইন্ট ৭ ফঙদুনা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি।

হোক্কি ঝারখন্দগী গোল ৪ অদু অনুরুট বেনগ্রা, জোসেপ কোনগারি, দিনিস তেতে অমদি অমর্দিপ শমরাৎ কুজুরনা মথংশিংনা ১১, ১৬, ৩৫ অমদি ৬১ শুবা মিনটতা গোল অমমম চনখিবনি।

হোক্কি মহরাষ্ট্রগী গোল অহুম অদুনা পার্মেশ্বর পোতেনা ৩ অমদি ৪৭ শুবা মিনটতা অনী অমদি অমিট খান পাথান না ২১ শুবা মিনটতা অমা চনখিবনি।

পুল সি গী শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা মধ্য প্রদেস হোক্কিনা হোক্কি অন্দ্র প্রদেস গোল ১৪–০ দা মায়থিবা পীখি।

মধ্য প্রদেস হোক্কি একাদমিগী গোলশিং অদু হিমাসু সানিক্লা ১৪, ২২, ২৫, ৩৩, ৪০ অমদি ৪৫ শুবা মিনটতা গোল তরুক, অবদুল অশারি সকিপ্পা ৩১, ৪৬ অমদি ৬৭ শুবা মিনটতা অহুম, মহমদ অনাসনা ৪ অমদি ৪৯ শুবা মিনটতা অনী, সাইলেন্দ্র সিংহ না ৫৯ অমদি ৬২ শুবা মিনটতা অনী অমদি অনিকেট ভরুন্না ৩৮ শুবা মিনটতা গোল অমা চনখিবনি।

পুল দি গী শান্নখিবা অতোপ্প মেটচ অমদা হোক্কি কর্নাতকানা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মখুৎতা গোল ২–৬ তা মায়থিখ্রে।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী গোল তরুক অদু দিপক্লা ৩০, ৩৫ অমদি ৪৪ শুবা মিনটতা গোল অহুম, কেপ্টেন মাইকেল তোপ্পো , রিমালসু অমদি বিসালনা মথংশিংনা ৫৫, ৫৮ অমদি ৬৮ শুবা মিনটতা অমমম চনখিবনি।

হোক্কি কর্নাতাগী গোল অনী অদুনা মাঞ্জিৎ অমদি কেপ্টেন দিপক্লা ৯ অমদি ২৭ শুবা মিনটতা অমমম চনখিবনি।



POINT TABLE POOL C

| TEAM | P | W | D | L | GF | GA | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| HOCKEY GANGPUR ODISHA | 3 | 3 | 0 | 0 | 27 | 1 | 26 | 9 |
| MADHYA PRADESH HOCKEY | 3 | 2 | 0 | 1 | 20 | 5 | 15 | 6 |
| DELHI HOCKEY | 3 | 1 | 0 | 2 | 8 | 13 | -5 | 3 |
| HOCKEY ANDHRA PRADESH | 3 | 1 | 0 | 3 | 2 | 38 | -36 | 0 |

POINT TABLE POOL D

| TEAM | P | W | D | L | GF | GA | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| HOCKEY JHARKHAND | 3 | 2 | 1 | 0 | 17 | 9 | 2 | 4 |
| HOCKEY KARNATAKA | 3 | 1 | 0 | 1 | 9 | 8 | 1 | 3 |
| HOCKEY MAHARASTRA | 3 | 1 | 0 | 2 | 11 | 12 | -1 | 3 |
| SPORTS AUTHORITY OF INDIA | 3 | 0 | 0 | 1 | 11 | 7 | 2 | 0 |

# সুসিল কুমার অমদি নরসিং জাদব মরক্তা চায়েৎনবা লৈরি

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মে ১৮ ঃ**
ইন্দিয়াগী রেষ্টলিং শান্নরোই ওইরিবা সুসিল কুমার অমদি নরশিং য়াদব লাক্কদৌরিবা রিয়ো ওলেম্পিক্তা শরুক য়ানবগী মতাংদা চয়েৎনবা লৈরি।


কে জি ৭৪ গী ফ্রি ষ্টাইলদা মমাংগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপ্তা নরশিং য়াদবনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবদগী লাক্কদৌরিবা রিয়ো ওলেম্পিক্কীদমক ক্বালিফাইদ ওইবা য়াবগী হেন্না খুদোংচাবা ঙাইরি। সুসিল কুমারনা মমাংগী ওলেম্পিক্তা শান্নখিবা কে জি ৬৬ অদুদগী হেনগৎপা কে জি ৭৪ দা লৈখিবনা শান্নরোই অনী অসিগী মরক্তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা হন্দক্কী ওলেম্পিক অসিদা কনাবু শরুক য়াগদগে হায়বদুগী চায়েৎনবা অদু লৈরি।

রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শাঙলবা চহি ২৬ অসিদা সুসিল কুমার নত্তনা ওলেম্পিক্তা মেদল লৌবা শান্নরোই লৈত্রি। হন্দক্কী অসিদা সুসিল কুমারগা থারগা নরশিং য়াদবনা ক্বালিফাইদ ওইখিবনা মরম ওইরগা মমাংদা লৌখিবা মেদল অদুদগী অহেনবা মেদল পুরকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈরি হায়না রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা অশা তৌরি।

সুসিল কুমারনা ইং ২০০৮ কী বৈজিং ওলেম্পিক গেমসকী কে জি ৬৬ কী ফ্রি ষ্টাইলদা গোল মেদল লৌখিবনি।

মসিগী মতুং তারকপদা লন্দনদা পাংথোকখিবা গেমসতসু সিলভর মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

সুসিল কুমারনা ইন্দিভিজুয়েল ওলেম্পিক্তা থংননা মেদল অনী লৌবা ঙম্বা শান্নরোই ওইবগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা রিয়ো ওলেম্পিক গেমস অসিদসু মেদল লৌননবা হোৎনগনি।



# সকেট মাইনেনি ক্বালিফাইদ ওইখিদ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মে ১৯ ঃ**
ইন্দিয়াগী সকেট মাইনেনি ফ্রেন্স ওপনগী মেন দ্রো সিঙ্গলগী ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমখিদ্রে।

পেরিসতা পাংথোক্কদৌরিবা ফ্রেন্স ওপন টেনিসকী ঙরাং শান্নখিবা ক্বালিফাইয়িং মেটচতা ইন্দিয়াগী সকেট মাইনেনিনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী ফান্সসেস তাইফৌবু ৬–৭ (৫–৭) দা মায়থিখ্রে।

# অসিস নেহরা আই পি এল য়াওররোই

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মে ১৯ ঃ**
সন রাইজর হায়দ্রবটতা শান্নখিবা সেনিয়র লেফ আর্ম প্রেসর অসিস নেহরা হেন্দষ্ট্রিং শোকপনা মরম ওইরগা লাক্কদৌরিবা আই পি এল দা শরুক য়াররোই ।

নেহরানা আই পি এল গী মেটচ ১২ শান্নখিবদা ৱিকেট ৯ লৌবা ঙমখিবনি।

নেহরা কিংস ১১ পঞ্জাবকা শান্নখিবা মেটচতা শোকখিবনি।



লন্দনদা পাংথোক্লিবা ৫৯ শুবা য়ুরোপিয়ন এক্কাটিক্স চেম্পিয়নসিপ ২০১৬ কী সিনক্রোনাইজ স্বিমিংদা শরুক য়ারিবা য়ুক্রেনগী স্বিমর অনি।

# প্লেয়র ট্রান্সফর হৌরগনি

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মে ১৮ ঃ**
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরী এন রঞ্জিৎ রোইনা ঙসি প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না সিজন ইং ২০১৬–১৭ গী ওইনা পাংথোক্কদবা প্লেয়রশিংগী ট্রান্সফরগী প্রোসিদিয়োরশিং ফোংখিবগা লোয়ননা চৎলিবা চহি অসিগী জুন ১ দগী ৭ ফাওবা ট্রান্সফর তৌবা য়ারগনি হায়রি ।

প্রোফেসনেল প্লেয়রশিংগী ট্রান্সফর ফিনা লুপা লিশিং অহুম অমদি এমেচর প্লেয়রশিংগী ট্রান্সফর ফিনা লুপা লিশিং অমা ওইগনি হায়রি।

# অম্বাগী গোল্ডন জুবলি পাংথোক্কনি

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মে ১৮ ঃ**
ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিয়েসন (অম্বা) গী পব্লিসিটি সেক্রেটরী ও প্রেমকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না থা অসিগী ২২ দা ৫০ শুবা মিষ্টর মণিপুর কন্তেষ্ট ২০১৬ গা মরী লৈননা গোল্ডল জুবলিগী থৌরম খুমন লম্পাক্তা লৈবা য়ুঠ হোষ্টেলগী কনফরেন্স হোলদা পাংথোক্লগনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা অম্বাগী দোন্নর প্রেতোন অমদি সিমফেথাইজরশিংনা শরুক য়ারনবা খঙহল্লক্লি।

# দব্লিউ ৱাই সি না ৱিন্নর ওইখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মে ১৯ ঃ**
দব্লিউ ৱাই সি এ ৱাইরিনা পি ৱাই এন কে পৌরাবি গোল ১–০ দা মায়থিবা পীরগা মণি য়াইস্কুল ৫ এ সাইদ মেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ৱিন্নর ওইখ্রে।

য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিপ য়ুঠ ক্লব মণি য়াইস্কুলনা শীন্দুনা হৌখিবা থা অসিগী ১১ দগী ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চত্থরকখিবা ৫ এ সাইদ মেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচকী দব্লিউ ৱাই সি এ গী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু ৱাই অবুংনা ১৬ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

বেষ্ট দিসিপ্লিন টিম্না য়ু পি ৱাই সি বি গী মণি য়াইস্কুলনা তাখি। হায়েষ্ট স্কোয়রনা দব্লিউ ৱাই সি এ (এ) ৱাইরিগী ৱাই বুংনা তাখি। বেষ্ট প্লেয়র ওফ দি টুর্নামেন্টনা দব্লিউ ৱাই সি এ (এ) টি সক্তিনা তাখি।

# নেরোকা এফ সি চান্দিগরগী মখুৎতা মায়থিখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, মে ১৯ ঃ**
আই লিগ সেকেন্দ দিভিজন ফাইনেল রাউন্দদা শরুক য়ারিবা মণিপুরগী নেরোকা এফ সি না এৱে মেটতা ঙসি শান্নখিবা সেক্টের ১৭ ফুটবোল ষ্টেদিয়ম চান্দিগরদা মিনরভা ফুটবোল একাদমি শান্নখিবা মেটচতা নেরোকা এফ সি চান্দিগরগী মখুৎতা গোল ৩–২ দা মায়থিখ্রে। হোমগী মেটচতা নেরোকা এফ সি মিনরভা একাদমিগা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখিবনি।

Results and fixtures for group A

| Date | Home | Score | Away |
|---|---|---|---|
| 26/03/2016 14:00 | Gangtok Himalayan SC | 0 - 1 | Dempo Sports Club |
| 27/03/2016 16:16 | Mohammedan Sporting | 1 - 0 | LoneStar Kashmir FC |
| 29/03/2016 14:00 | Neroca FC | 0 - 0 | Minerva Academy FC |
| 01/04/2016 14:00 | Gangtok Himalayan SC | 1 - 1 | LoneStar Kashmir FC |
| 02/04/2016 14:00 | Neroca FC | 2 - 0 | Dempo Sports Club |
| 03/04/2016 16:00 | Mohammedan Sporting | 1 - 2 | Minerva Academy FC |
| 06/04/2016 14:00 | Neroca FC | 2 - 1 | LoneStar Kashmir FC |
| 07/04/2016 14:00 | Gangtok Himalayan SC | 0 - 0 | Minerva Academy FC |
| 07/04/2016 16:00 | Mohammedan Sporting | 0 - 0 | Dempo Sports Club |
| 13/04/2016 16:00 | Minerva Academy FC | 0 - 1 | Dempo Sports Club |
| 16/04/2016 14:00 | Gangtok Himalayan SC | 1 - 1 | Neroca FC |
| 18/04/2016 16:00 | LoneStar Kashmir FC | 0 - 1 | Dempo Sports Club |
| 23/04/2016 16:00 | Mohammedan Sporting | 3 - 1 | Gangtok Himalayan SC |
| 23/04/2016 16:00 | Dempo Sports Club | 3 - 0 | Neroca FC |
| 24/04/2016 16:00 | Minerva Academy FC | 2 - 1 | LoneStar Kashmir FC |
| 29/04/2016 16:00 | Mohammedan Sporting | 2 - 0 | Neroca FC |
| 29/04/2016 16:00 | Minerva Academy FC | 2 - 0 | Gangtok Himalayan SC |
| 05/05/2016 16:00 | Minerva Academy FC | 1 - 1 | Mohammedan Sporting |
| 05/05/2016 16:00 | Dempo Sports Club | 3 - 0 | Gangtok Himalayan SC |
| 08/05/2016 16:00 | LoneStar Kashmir FC | 0 - 1 | Mohammedan Sporting |
| 10/05/2016 16:00 | LoneStar Kashmir FC | 2 - 3 | Minerva Academy FC |
| 11/05/2016 16:00 | Dempo Sports Club | 0 - 0 | Mohammedan Sporting |
| 13/05/2016 14:00 | Neroca FC | 1 - 0 | Gangtok Himalayan SC |
| 16/05/2016 16:00 | Dempo Sports Club | 4 - 1 | LoneStar Kashmir FC |
| 19/05/2016 14:00 | Gangtok Himalayan SC | 2 - 1 | Mohammedan Sporting |
| 19/05/2016 16:00 | Minerva Academy FC | 3 - 2 | Neroca FC |
| 23/05/2016 16:00 | LoneStar Kashmir FC | vs | Neroca FC |

Final Round A

| RA | Team | Pts | Pld | W | D | L | GF | GA | GD |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Dempo Sports Club | 20 | 9 | 6 | 2 | 1 | 13 | 3 | 10 |
| 2 | Minerva Academy FC | 18 | 9 | 5 | 3 | 1 | 13 | 8 | 5 |
| 3 | Mohammedan Sporting * | 12 | 9 | 4 | 3 | 2 | 10 | 6 | 4 |
| 4 | Neroca FC | 11 | 8 | 3 | 2 | 3 | 8 | 10 | -2 |
| 5 | Gangtok Himalayan SC | 9 | 9 | 1 | 3 | 5 | 5 | 13 | -8 |
| 6 | LoneStar Kashmir FC | 1 | 8 | 0 | 1 | 7 | 6 | 15 | -9 |

* N.B.- 3 points are deducted from Mohammedan SC as per the decision taken by the FIFA Disciplinary Committee